থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# থিয়েতর ফেষ্টিবেল ফোর ক্রিয়েটিব দাইরেক্তর্স

ঙরাং, ২০১৯ গী ফেব্রুয়ারি তারিখ ১০- মণিপুর কলা একাদেমিনা, ইষ্টর্ন জোন কলচরেল সেন্তর, কোলকাতা অমদি মণিপুর গভর্নমেন্টকী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্ট অনীগা খূৎশম্নরগা থিয়েতর ফেষ্টিবেল ওফ ক্রিয়েতিব দাইরেক্তর্স হায়না মীংথোনবা দ্রামা ফেষ্টিবেল অমা মহারাজ চন্দ্রকির্তি ওদিতরিয়মদা আর্ত এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা অথোয়বা মীথুং ওইরগা, থোইদোক্লা মালেমদা মমীং লৈরবী এক্ত্রেস পদ্মশ্রী হৈস্নাম সাবিত্রিনা থৌরম মপু ওইদুনা হৌদোক্কনি তৌরম্বদু মিনিষ্টর মশা লাকখিদবনা সাবিত্রিনা চীফ গেষ্ট ওইরগা আর্ত এন্দ কলচরগী দিরেক্তর শিবদাসনা থৌরম মপু ওইরগা হৌদোকখি।



ইজরিবা পাউদম অসি হৌদোক থৌরম অদুগী রিপোর্তিং অমসু নত্তে, হৌবা নুমিত্তা উৎখিবা পান্থোইবী নাত্য মন্দিরী 'পুন্সি পামেল' লীলাদুগী মরমদা পুক্লিংগী পাউদম ওইনা ইবা খূই অমসু নত্তে। ঙরাং পাউচে খরদা ফোঙনরকখিবা ফেষ্টিবেলসিগা মরী লৈননা নুপী দিরেক্তর অহুম্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেবাউ অমদা য়ুমফম ওইদুনা ফোঙনরকখিবা পাউ অদু পারুবদগী খঙজবা খরা, থিরুবা খরা - অনী তোৎশিন্নরগা পাউদম অসি তল্লগে খন্না ইরিবনি।

ষ্টেট কলা একাদেমিনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লম্বা 'ওল মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল'- মণিপুরি থিয়েতরগী অনৌবা মশক লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা, হুম্ফুতরাগী মতমদগী অকনবা য়াওল অমগী শক্লোন লৌরক্তুনা মরিফুতরাগী মমৈ ওইরকপা, কুনমাথোইশুবা চহীচাগী অঙনবা মতম অদুব্রাইফাওবদা মণিপুরি থিয়েতরগী খ্বাইদই চাউবা ইভেন্ত অমা ওইরম্বনি। নেসনল স্কুল ওফ দ্রামাদগী অৱাঙবা থাক্কী দ্রামাগী লৌশিং তানশিল্লুরবা দ্রামাটিষ্ট (এক্তর-দিরেক্তর) শিংনা, মখোয়না ফঙলকপা জ্ঞ্যানশিং অদুগী চাংয়েংফম ওইনরম্বা ফেষ্টিবেলনি। অনৌবা কলাগী পোত্থোক অমগীদমক ঈখৌ লাংজবা থিয়েতর-ৱার্কর/এক্তর-দিরেক্তর-দিজাইনর কয়াগী ক্রিয়েতিব-বেত্তল (চায়নপুং) অমা ওইরম্বনি। মরমসিদই ওইরমগনি, কুমহৈ (ফেষ্টিবেল) অসিগী মমীং 'ওল মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল ফোর ক্রিয়েটিব দাইরেক্তর্স' হায়না ওন্থোক্লককখিবা করম্বা চহীদগী অসুম্না মমীং ওনখিবা - চপ চানা নীংশিংদ্রে। অদুবু ৱাফমসিমদি অচুম্বা শোয়দনমক্কী ওইগনি, মদুদি তপ্না তপ্না মণিপুরগী থিয়েতর-দিরেক্তর অমদি প্লেরাইতশিংগী ৱাখলদগী ক্রিয়েতিভিতিগী ঈফুৎ কংশিল্লকখি। মণিপুরী থিয়েতরদা ক্রিয়েতিভিতি - ঈকং থোক্লককখি। মমীং খক্তগী ওইবা ক্রিয়েতিব দিরেক্তরশিংগী দ্রামা ফেষ্টিবেল ওইরকখি। ষ্টেট কলা একাদেমী দ্রামা ফেষ্টিবেলদুগী মমীংনা ইন্সপাইর তৌদুনা থিয়েতর সেন্তর মণিপুরনা শীনবা শোর্ত প্লে কম্পিটিসনগী মমীংসু হোংলককখি - '...শুবা ওল মণিপুর শোর্ত প্লে কম্পিটিসন ফোর ক্রিয়েতিব দিরেক্তর্স'। ক্রিয়েতিভিতি হায়বসিগী ৱাহন্থোক ফাওবা খঙদবা, মীনা হনজিন হনজিন পুথোকখ্রবা প্লে, কদায়দা করি প্লে মীনা খজিক্তং পাম্নখিবা অমা লৈবগে কোয়হং হংনরগা পুথোক্লবা হোৎনবা, গ্রীক/ইংলিস/সংস্কৃট/হিন্দি/মরাথি ... নৎত্রগা মপানগী প্লে কোয়থি থিরগা পুথোকপা, সেক্সপিয়র/ইবসেন/মোলিয়রগী প্লে কনাদা হন্দোকহল্লগা করম্না এদাপ্ত তৌসিগে খনবদুনা 'ক্রিয়েতিভি'নি খল্লকপগী থাক অদুনি হৌজিক্কী মণিপুরী থিয়েতর।

অসুম্না থিয়েতর ফেষ্টিবেল ফোর ক্রিয়েতিব দিরেক্তর্স হায়বা অনৌবা মীং অমা শেন্নগা পুথোক্লিবসিগী মরম, পাউচেশিংদা ফোঙদোক্নরকপা ৱাথোকসিদই খঙলে - একাদেমিনা হান্নদগী চত্থরকপা, রিগুলার ওইবা ঙমদ্রবা রিগুলার দ্রামা ফেষ্টিবেল অসিগী ইনফোর্মেসন, অসুক য়াম্না চেকশিন্না অরোনবা ওইনা থল্লকখিবসি করিগীনো? মমাংঙৈগী মতৌগুম, ফেষ্টিবেল অসিদা য়াওগদৌরিবা থিয়েতর ওর্গনাইজেসন (গ্রুপ), দিরেক্তর অমদি মীদিয়াগী খূখাঙদা ওইরবসু অতোপ্পা কনাগী মফমদা, খঙহনবসু তৌখিদে। থিয়েতর গ্রুপ তরাসিগী মীং, ফেষ্টিবেল হৌবা নুমিৎসিদা নত্তনা কনানসু খঙনখিদে। অসিগুম্বা ফেষ্টিবেল অমা তৌগদৌরে খঙবসু ঈরায় নুমিৎ, চেবাউ ফংলবা মতমদুখক্তদনি।

হৌজিক্তি খঙলে - ফেষ্টিবেলসিগীদমক খনগৎলবা দ্রামা অমসি শান্নগদবা থিয়েতর গ্রুপশিং - কনানা কমদৌনা খল্লম্বগে হায়বা ৱাফম অসিদা পেন্নদবা খরা লৈরে। তারক্লিবা পাউসিদই খন্নবা য়াবা, ফজদবা ৱাফম অমদি অতাবশিংনা শোয়দনমক্কী ঙাঙনগনি। মদুদি, খ্বাইদগী ফবা (ক্রিয়েতিব ওইবা) প্লে তরা অসিদা খনগৎনবা এক্সপর্ত (সেলেক্তর) ওইনা য়াওবা মীওই (দিরেক্তর) অহুম্না মশা মশাগীগ্রুপ অমদি দ্রামা খনগৎলগা অতোপ্পা, খন্নবা য়াবা, মতীক চাবা গ্রুপ/দিরেক্তর খরবু খন্দোক্লম্বা/মীরায়রম্বা অসিনি। লৈপাকমচা তাবা, দিসেন্ত ওইবা মী হায়বসিদি মীয়ামগীওইবা থবক অমা তৌরমদাইদদি মশাগী ওইজবা থাদোক্লগা অতোপ্পদা হান্না খুদোংচাবা পীবা চৎনৈ। মশাগী চাকলুপ হান্না কনশিনবা, চাওখৎপা মীদি তৌনদে। মশাগী প্লে অদু ফনা ফজবা, পূম্নমক্তই অৱাংবা থাক্তা শোয়দনমক্কী থল্লমগনি। ঙসিদি, মখোয় অহুম্বু, কনাগুম্বনা কনানো খঙলক্লবা, ওন্থোক্লা থীনা ঙাঙনগনি। পূম্নমক্লা খঙই - ফোংনা ৱাকৎলক্লিবী মখোয় অহুম মতীক চাবা দ্রামাতিষ্ট/দিরেক্তর ওইবতা নত্তনা য়ঙ য়ঙ লীলা তৌরিবী ঙাক্তনি। রুপমহল থিয়েতর অমসুং মণিপুর দ্রামাতিক য়ুনিয়ন - অনীসিবুদি একাদেমিনা অখন্নবা মীৎয়েং য়েংফম থোকই। অদুগা, 'সিমতংগা চেকশিন্না হায়নিংই ... 'ফেষ্টিবেল অসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি ফেষ্টিবেল নত্তে, ই জেৎ সী সী অমদি আর্ত এন্দ কলচর দিপার্টমেন্তকীনি'... হায়বদু অমুক হন্না হায়দবা ফৈ, মথৌ মশক খঙদবা মাল্লি।

লৌশিং পুক্কে

# অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর অয়াম্বা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্নৈ

অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর অয়াম্বা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্নৈ হায়বা কার্দিফ য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। হেন্না নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি সাইকোলো-জিকেল প্রোব্লেম মায়োক্নরিবা ডোক্তর অয়াম্বা মতেং লৌনবা হোৎনদে হায়বা ৱাফম অসিনি।



হেল্‌ঠ অমদি অতে অয়াম্বা মথৌ তৌরিবা মীওই অয়াম্বা ষ্ট্রেস মায়োক্নৈ অদুবু মখোয় অয়াম্বা মতেং লৌনবা হোৎনদে। বৃটিশ সাইকোলোজিকেল সোসাইটিনা পাঙথোকখিবা ষ্টাফ ৱেলবিইং সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, সাইকোলোজিকেল প্রোফেসনেল অয়াম্বা ৱাখল নুংঙাইতবগী অৱাবা মায়োক্লবা তারবসু মশানদি খঙজদে। কনাগুম্বা খরনা খঙজবা তারবসু মীঙোন্দা খঙহনবা পামদে।

ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মেদিকেল ডোক্তর অমদি সাইকোলো-জিকেল ডোক্তর চাদা ৭০ না হায়খি, মদুদি মখোয় পুম্নমক মথৌ পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নৈ। মরুওইনা অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা থবক মফমদা কা-হেন্না ৱাবা অমদি থবক্তগী পোৎথারগা কমদৌগদগে খনবদা অৱাবা মায়োক্নৈ।

কার্দিফ য়ুনিভর্সিটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, ডোক্তর অয়াম্বা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেম মায়োক্লরবসু হায়দোকপা ঈকায়বদগী মীঙোন্দা খঙহনদবা হোৎনৈ। মরুওইনা নুপী ডোক্তরশিংনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি ইমুং-মনুংগী থবক্তা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা নুপীশিংনা ৱাখলগী অৱাবা

মায়োক্নৈ হায়বা অতোপ্পা মীওইদা খঙহন্নিংদে। ডোক্তর অমা ওইবগী শিনফমদা অকায়বা থোরক্কদ্রা হায়না খনবনসু মীঙোন্দা খঙন্নিংদবনি হায়রি।

অমরোমদা, লন্দনগী কিংস কোলেজদা লৈবা সরাহ ক্লিমেন্ট অমদি গ্রহম থ্রোনিক্রোফ্‌টনা মীওই ৯০,০০০ রোমদা চত্থখিবা ষ্টদি ১৪৪ কুপ্পা য়েংশিনখি। অনা-লায়েংগী শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওই মরিগী মনুংদা অমদি মেন্টেল হেল্‌ঠ প্রোব্লেম মায়োক্নৈ অদুবু ঈকাইবদগী মতেং লৌনবা হোৎনদে হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি। মতৌ অসুম্না অনা-লায়েংগী শিনফমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা ৱাখল লৈতাদবা তারবদি মালেমদা হিংলিবা মীয়াম্না হকশেলগী ফীভম করম্না ফগৎহনবা ঙমগদগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী মতাংদা কাউন্সীল ওফ দ রোয়ল কোলেজ ওফ জেনরেল প্রক্তিসনরসকী চ্যেরমেন ওইরম্বা ক্লেয়র গেরাদানা হায়খি, মীচম-মীয়ামগী হকশেল ফগৎহন্নবা হোৎনদ্রিঙৈগী মমাঙদা মেদিকেল প্রক্তিসনরশিংগী ফীভম হান্না ফগৎহনবা মথৌ তাই। মায়কৈ অসোমদা চঙশিনবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা হেল্‌ঠ অমদি সোসল ক্যেরগী শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী অনৌবা নেটৱার্ক অমা শেম্লে। লাক্লিবা জুন ২১ দা অহানবা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা নেটৱার্ক অসিনা হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী পূক্লিং-ৱাখলগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগদৌরি।

বৃটিশ সাইকোলোজিকেল সোসাইটিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক মরুওইনা অনা-লায়েংগী শিনফমদা লৈরিবা ডোক্তর খুদিংমক মশা-মশানা মায়োক্লরিবা সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেমশিংগী মরমদা ফোঙদোকচনবগী প্লেটফোর্ম অমা লৈহনবা মথৌ তাই। লোয়ন-লোয়ননা ডোক্তর খুদিংমক মশা-মশানা মায়োক্লরিবা পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা খুদোংচাদবশিং ফোঙদোকপা ঙম্বগী মথৌনা লৈবা মথৌ তাই।

অমরোমদা, বৃটিশ মেদিকেল এসোসিএসনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি ডোক্তর অয়াম্বা

পূক্লিং-ৱাখলগী অৱাবা মায়োক্লবা মরম্না অথুবা মতমদা শিনফমদগী পোৎথাবা পাম্মী। ডোক্তরগী শিনফম হায়বসিমক্তবু অয়ুক-নুংথিল, নুমীদাং নাইদনা মথৌ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। মতৌ অসুম্না নোংমগী মনুংদা পোৎথাবগী মতম ইফং ফংদবা মথৌ তৌরিবা ডোক্তরশিংদগী অতোপ্পা শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা শেল হেন্না তানবগা লোয়ননা পোৎথাবগী মতম হেন্না ফংই হায়না ডোক্তর অয়াম্বনা লৌই। বৃটিশ মেদিকেল এসোসিএসন্না হন্দক্তা চত্থখিবা ষ্টদি অমদগী ৱাফম অসি খঙলকপনি।

# দ্রগ এব্যুজগী মতাংদা কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০(ঐচএনএস): কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম সেন্তর (সী দি পি সী) হেলঠ ক্যেয়র সেন্তর দি-এদিক্সন সেন্তর, থৌবাল পাখঙখোং লৈরক্লা এন আই এস দি-এম ও এস জে ঈ-আর আর টি সী-এন ঈ১ গা পুন্না খুৎশম্নদুনা দ্রগ এব্যুজ প্রিভেন্সন হায়বা হিরমদা স্কুল ওজাশিং অমদি কাউন্সিল্লরশিংগী নোংমগী ওইবা কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল ৱাংমতাবা চীফ মেদিকেল ওফিসল (সী এম ও) ওফিস কমপ্লেক্সতা লৈবা এন ঐচ এমগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনল হেলঠ মীসন থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সীঐচ বসন্ত অমদি হেলঠ ক্যেয়র সেন্তর দি-এদিক্সন থৌবাল পাখঙখোংগী প্রোজেক্ট দিরেক্তর দব্লিউ বিরেন অনীনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী কেপাসিটি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অদুদা সনরাইজ এম এন পি প্লস ইম্ফালগী প্রোজেক্ট মেনেজর এম সদানন্দা, আর দি এস খোঙজোমগী প্রোজেক্ট দিরেক্তর এ রোবিন্দ্রো অমদি হিলিং পোইন্ট আই আর সী এ, কো-ওর্দিনেটর লিগেল এইদ সেল, ককচিংগী কাউন্সিল্লর এস রামেশ্বরনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা মথংশিংনা বেসিক ইনফোর্মেসন ওন দ্রগ, রোল ওফ টিচর ওন দ্রগ এব্যুজ প্রিভেন্সন অমদি বেসিক কাউন্সেল্লিং হায়বা হিরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা হেলঠ ক্যেয়র সেন্তর দি-এদিক্সন সেন্তর থৌবাল পাখঙখোংগী প্রোজেক্ট দিরেক্তর দব্লিউ বিরেন্না ফোঙদোরকপদা, হৌজিক্কী মতমদা মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি মতৌ করম্না কলহৌগনি, মখোয়বু ওজাশিংনা মতৌ করম্না লোয়নগনি অমদি খুন্নাই অমদা য়াম্না মরু ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কলহৌদুনা অফবা খুন্নাই অমা শেমহৌসি হায়বগী ৱাখল্লোনদা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি। ঙসিগী থৌরম অদুদা অখঙ অহে কয়া অমদি মশক নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

## 'টিদ্দিম লম্বী মতম কক্তনা বন্দ তৌরগনি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০(ঐচএনএস): থিনুঙ্গৈদা বর্দ সেক্কচ্যুঅরি শাগনি হায়বা লৈঙাক্কী থৌরাং অসিগী মায়োক্তা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১৬ কী অয়ুক পুং ৬ তগী টিদ্দিম লম্বী মতম কক্তনা বন্দ তৌরগনি হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দি এনাউন্সমেন্ট ফোর কন্সত্রক্সন ওফ বর্দ সেক্কচ্যুঅরি থিনুঙ্গৈগী সেক্রেটরি ঐচ রুপচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঙা ফাবা হায়বসি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা শীনফম অমনি। লোক্তাক পাৎ অসিনা ঙামী শীন্মীশিংগী অমত্তা ওইরিবা রিছোর্স ওইরিবা মফমনি। ঙামী শীন্মীশিংগী শীনফমদা অয়েৎপা, অকায়বা পীবা হায়বসি অফবা খোঙথাং নত্তে। উচেকশিংসু মহৌশাগুম লৈরি। উচেক কন্ননবগীদমক মীওইবগী পুক্কে ওইবা লোক্তাক পাৎপান অসিদা বর্দ সেক্কচ্যুঅরি শাদুনা ঙামীশিংগী শীনফমদা অয়েৎপা পীবীগনু। মফম চাবা অমা য়েংলগা বর্দ সেক্কচ্যুঅরি অসি শাবনা লৈঙাক্কী হেন্না ফবা পোলিসি ওইগনি। মীওই খরনা ঙামী শীন্মীশিংবু মোইথেম তৌদুনা লান্না উননবা শিনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# চীফ মিনিষ্টর অমনা ঙাংলোইদবা ৱাঙাংনি: কাদা

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১০(ঐচএনএস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লমখায় কৈথেলদা ইমা কৈথেল অমা শানবা উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না লমদম অসিদা য়ু শুংদুনা মপান লমদা থাদোকখিসি হায়খিবা ৱাফম অসি ৱাখল খন্থবা ৱাৎপা, চীফ মিনিষ্টর অমনা ঙাংলোইদবা মীয়ামগী খন্দবা ৱাঙাংনি হায়না কোলিএসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা) গী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, আর কে রনবিরনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা লমদম অসিগী ইমা ইবেলশিংনা অকনবা ঈহৌ হৌবদগী মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীদা পাস তৌদুনা অমদি দ্রাই ষ্টেট অমনি হায়না লাউথোক্লবসু ঙসি ফাওবা লমদম অসিদা লৈখিবা মতম মতমগী লৈঙাক্লা এক্ট অসিবু মপুং ফানা চৎনহন্দবনা লমদম অসিগী মফম খুদিংদা য়ু মরাং কায়না ফঙলি।

মফম খুদিংদা য়ু মরাং কায়না ফঙবনা লমদম অসিগী মমল য়াল্লবা নহারোল কয়া য়ুদা লাইচুদুনা অমদি য়ুগী ঈপাক্তা ঈরাক্লদুনা খাঙুথক্তা পুন্সি লোম্লি। লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াগী হৌরকফমসু য়ুনা ওইহল্লি। খুন্নাই অসিগী শেন্মীৎলোনদা পীরকপা চৈথেং লোয়ননা ঐখোয়গী হকশেলদা পীরিবা চৈথেং কয়া অসিগী অমাঙ অতা কুপ্পা নৈনদুনা খুন্নাই অসিবু য়ু অমদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তগী কঞ্জনবা অখন্নবা পোলিসি প্রোগ্রাম শেম্বীদুনা অমসুং খুন্নাই অসিগী নহারোলশিং মশা মউ ফবা, তিঞ্জং কায়জংদবা মীওই অমা ওইনবা ষ্টেটকী ওইবা দ্রগ পোলিসি অমদি য়ুথ পোলিসি শেম্বীদনা লৈরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা পুখৎনবা হোৎনবগী মহুত্তা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না লমদম অসিদা য়ু শুংদুনা মপান লমদা থাদোকসি হায়খিবা অসি য়াম্না লায়বক থিবনি হায়রি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি য়ু শুংদ্রবদি লৈবাক ঙাকপা ঙল্লোইদবরা হায়না হংলক্লি। য়ু নৎত্রবদি লমদম অসিদা রেভিন্যু কারকপা য়াবা অতোপ্পা রিছোর্সেস লৈত্রবরা। য়ুগী চৈথেং, চৈনা কোক্ত্রিবা লমদম অসিদা য়ু শুংলগা করম্না চাউখৎপা পুরক্কদবনো। লমদম অসিদা য়ু শুংলগা মতৌ করম্না য়ু ফঙহল্লোই হায়রিবনো। ৱাফম অসি মতৌ করম্না থাজবা ঙমগদৌরিবনো। এক্ত খুদিংমক মীয়ামগী য়াইফননবা পান্দমদা শেম্লকপা ঙাক্তনি। অদুবু মপুং ফানা চৎনহন্দবনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লকপনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ত ১৯৫৮ পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌদুনা ইন্দিয়াগী ইন্টরনেল সিক্যুরিটিদা শীংনরকপা অমদি মীয়ামগী পুন্সি সেক্যুর ওইননবা শেমখিবা এক্ত অসিনা ঙসিদি ঐখোয়গী লমদম অসিদা তমথিবা লো ওইরি। এক্ত অসিনা ঙসিদি ঐখোয়গী লমদম অসিগী চমজরবা মীয়াম্বু হাৎনিংবা মতমদা হাৎতুনা লৈরি হায়রি।

মসিদসু নত্তনা, ফূদ সিক্যুরিটি এক্ত চৎনদুনা চেঙ কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৩ দা ফঙহনগনি হায়রবসু মণিপুরগী করম্বা মফমদা, কদায়ৱাইদা ফঙহনখ্রবগে হায়বসি হংনিংঙাই ওই। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মতৌ করম্না লমদম অসিদা য়ু শুংলগা লমদম অসিদা য়ু ফঙহল্লোই হায়রিবনো। মীয়াম্বু অপঙবা শীবা, ৱাখল মপুং ফাদবগী থৌওং চত্থদুনা লমদম অসি মৈ হৌনা চাক্লনবা থৌওং চত্থদবনা লৈঙাক্কী অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি।

লমদম অসিগী মীয়াম য়ু থকপগী চাং ৱাংখৎলকপদগী নহাশিং শিবগী চাংসু মশীং য়ামখৎলক্লি হায়বদি খঙলগা করিগী য়ু থিংননবা হোৎনগে হায়বা খন্দনা য়ু শুংননবা হোৎনরিবা লৈঙাক্কী থৌওং অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো। শুপ্নতগী রেভিন্যু খরগী য়েংদুনা লমদম অসিগী মমল য়াল্লবা মীয়ামগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা খনবা থৌওং খুদিংমক লেপ্পনা লৈঙাক অসিগী অফবা ওইগনি।

লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা মীয়ামগী য়াইফননবা পায়খৎলকপা চাউখৎ থৌরাং খুদিংদা কাদানসু শরুক য়ারি। অদুবু চাউখৎ থৌরাংগী মীংদা লমদম অসিগী মীয়াম্বু তুম্না মাঙহন্নবা থৌরাং ওইরবদি কাদানা মদুগী মায়োক্তা মতম চুপ্পদা লেপকনি হায়রি।

লৈবাক মীয়াম্না হৌজিক হৌজিক সিটিজিনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ গী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ চঙশিল্লিঙৈ চৈরক্তা চীফ মিনিষ্টরনা অসিগুম্বা ৱাফম ফোঙদোরকপা অসি সী এ বিগী ইশ্যু অসিবু নাথৈননবা হোৎনরকপা থৌওং অমনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে হায়নসু কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।




